ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 2, Issue 082 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ | ইম্ফাল, থৱান ২০। ২১ নি পানবা, য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২,২০২৬ ইং | মমল লুপা ২।-


### নো এন আর সি, নো সেন্সস- ওপোজিসনগী এদজোর্নমেন্ট মোসন খন্নবা-খন্নদবগী মতাংদা পূং ৩ হেন্না দিবেট তৌনখ্রে

# সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি তৌনবা অমুক্কসু তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ২ (ৱায়েল কাতি)ঃ তরানিথোই শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৮শুবা সেসন হৌবা নুমিৎতা কোংগ্রেসকী এম এল এশিংনা কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি হান্না তৌদ্রিবমখৈ সেন্সস য়েথোক্লবা তকশিনসি হায়না খন্ননবা নো-কনফিদেন্স মোসন অমা পুখৎলকপদা মদু খন্নগনি নৎত্রগা খন্নরোই হায়বগী মতাংদা রুল্লিং অমসুং ওপোজিসন মেম্বরশিংগী মরক্তা অৱাই অখূম তৌনদুনা পূং ৩ হেন্না দিবেট তৌনখ্রে।

হাউসকী মেম্বর ওইরম্বা ৩ লৈখিদবগী ওবিচ্যুরি রিফরেন্স পাঙথোকপা লোইরবা তুংদা মথংগী এজেন্দা পায়খৎননবা স্পিকরনা হোৎনরকপদা কোংগ্রেসকী লূচিংবা ওক্রম ইবোবীনা এন আর সিগা মরী লৈনবা এদজোর্নমেন্ট মোসন অমা খন্ননবা চেরোল অমা পীশিনখিবদু কমদৌখ্রবগে হায়না পুখৎলকখি। ওক্রম ইবোবীগী ৱাফম অদু তারবা তুংদা স্পিকরনা অতৈ মেম্বরশিংনা করি করি ৱাফম ফোঙদোক্নরকপগে হায়বা খঙদোক্নবগী মওংদা মিনিট খরা তূমিন্না লৈখি। পাউখূম পীখিদে। তুংদা হাউসকী লীদর ওইরিবা চীফ মিনিষ্টরনা সেন্সসকা মরী লৈনবা ষ্টেটমেন্ট অমখক্তা হাউসতা থমজগে হায়না হৌগৎলকখি। ওপোজিসনগী মায়কৈদগী ষ্টেটমেন্ট অদু মতম অমদা অদুম থম্বা য়াই। হৌজিক্কী ওইনদি ঙসিগী লৈরিবা এজেন্দাশিং অসি দিফর তৌথোক্লগা ওপোজিসনননা পুখৎলিবা নো-কনফিদেন্স মোসন অদু হান্না খন্নবা চুমগনি হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু স্পিকরনা সিএমবু মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট থম্ননবা খঙহল্লকখি।

হাউসকী লীদরনা হায়খি, মণিপুরগী সেন্সস য়েথোকপগী ৱাফম য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চ্যের লৌরগা ষ্টেট অসিগী গভর্নর, চীফ মিনিষ্টর মশামক অমসুং সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মকোক লূচিংবা ময়াম অমা য়াওরগা ৱারেপ লৌখ্রবনি। শুপ্পতগী ওর্দর অদু লাক্তবা খক্তীনি। হায়রিবা ওর্দর অদুদি ওফিসিয়েল প্রোসেসতা মতম খরা চঙবগী তৌবনি। নুমিৎ খরনি অসিদা শোয়দনা থোরক্লগনি।

চীফ মিনিষ্টরগী ষ্টেটমেন্ট অদু থাগৎনরক্লগসু ওপোজিসন্নদি ওর্দর অদু



হৌজিক ফাওবা উদ্রিবনিনা ৱাফম অসি খন্ননবা এদজোর্নমেন্ট মোসন অদু পায়খৎপীনবা স্পিকরগী পূক্নিং চিংশিনখি। চীফ মিনিষ্টরনা মহাক মশামক অমসুং ষ্টেট অসিগী গভর্নর য়াওনা লৌখ্রবা ৱারেপ অমবু থাজদবা হায়বসি অফবা নত্তে। গভর্নমেন্ট অসিসু মীয়ামগীনি, পুখৎলল্লিবা ৱাফম অদুসু মীয়ামগীনি। ঐখোয় পূন্নমক মীয়ামগী থবক তৌমিন্নরিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ওপোজিসনগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না য়েৎলকপগা লোয়ননা রুলস ওফ প্রোসিদ্যুর এন্দ কন্দক্ত ওফ বিজিনেশকী রুল মখাদা পুখৎলকপা মোসন ওইবনা মদু খন্নগনি নৎত্রগা খন্নরোই হায়বা জজমেন্ট অমা হান্না পীদনা হেক্তমক তোকথোক্লগদি প্রোসিদ্যুরদা অরানবা অমা লৈগনি। মরম অদুনা হাউসতা লিভ লৌবীরগা মোসন অসি খন্নবা শৌগৎপনা কয়ানো, য়াদবনা কয়ানো হায়বদু য়েংলগা মেম্বর ১০না শৌগৎলগদি মোসন অসি খন্নসি হায়না য়েৎপা হৌরকখি।

তুংদা হাউসকী লীদরনা মণিপুর মীয়াম্না পাল্লিবা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিবমখৈ সেন্সস তৌরোই হায়বা ৱাফম অদু হাউসনা ৱারেপ ওইনা লৌরসি। ৱারেপ অদু মহাক্না পাথোক্লগা হাউস থমখি। অদুবু ওপোজিসনগী মায়কৈদগী হাউসনা ৱারেপ অমা লৌবসি রুল অমগী মখাদা লৌগদবনি। হেক্তা পংলৌদা লৌবা য়াবা নত্তে হায়না য়েৎলকখি। অদুবু রুল্লিংগী মেম্বর খুমুকচম জয়কিষন অমদি অতৈ কয়ানা ইশু অসি মীয়ামগীনি হায়রগা নুংদা করিগুম্বা ৱাফম অমা থল্লগা থবক তৌবনা তৌই। স্পিকরনা রুল পূন্নমক চৎনহন্দনা থল্লগা হাউসনা পুথোরক্লিবা ৱারেপ অসি অদুম চৎনবা য়াই হায়না য়েৎলমখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা রুল্লিংগী মায়কৈদগী এক্স সি এম বিরেন, গোবিন্দাস কোন্থৌজম, খুমুকচম জয়কিষন, এল সুসিন্দ্রো, অব্দুল নাসির, এম রামেশ্বর, অৱাংবৌ ন্যুমাই, রাম মুইভানচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। ওপোজিসনগী মায়কৈদনা ওক্রম ইবোবী, কাঙুজম রঞ্জি, কৈশাম মেঘচন্দ্র, টিএচ লোকেশ্বর, ওক্রম সুর্জাকুমারনা শরুক য়াখি।

ওপোজিসনগী মায়কৈদগী এন আর সি অপদেট তৌবদা চঙলিবা বেজ ইয়র অদু ১৯৫১নি হায়বা অমা হাপচিল্লগা ৱারেপ লৌদ্রগদি কমদৌনা এন আর সি তৌগদৌরিনো হায়না ওপোজিসনননা অমুক য়েৎখৎলকখি। নাকল অনীদগী তরেৎ তরা থোক্লা ৱাফম কয়া পুথোক্লরবা তুংদা স্পিকরনা হাউসকী লীদরদা মহাক্কী মোসন অদু পুখৎননবা অয়াবা পীরকখি।

তুংদা হাউস অসিনা য়েৎপা অমত্তা য়াওদনা হাউসকী লীদরনা পুখৎলকখিবা গভর্নমেন্টকী মোসন অদু পাস তৌখি।

ওপোজিসনগী মেম্বরশিংনা এন আর সিগী বেজ ইয়রগী মতাংদা য়াম্না কন্না পুখৎলকপা ৱাফম অদুগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, সেসন অসি থা অসিগী ৭তা লোইগদৌরিবনি। নুমিৎ ৪নিসু ছুতি লৈ। ছুতি মনুং অসিদা ঐহাক্না মতম অমা লেপ্পল্লগা ঐখোয় খরা পূন্না খন্ন-নৈনমিন্নরসি। ইশু অসি মণিপুরদা খূন্দারিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী য়েংলগসু খন্নদবা য়াদবা লৈ। রুল্লিংগী মায়কৈদগী মেম্বর খরনা এন আর সিগী বেজ ইয়র হায়বসি ষ্টেট অসিনা লেপ্পিংই হায়দুনা চহী অমা হেক্তা লেপ্পগা লৌবা য়াদে। ইন্দিয়াগী ওইনা চৎনরিবা চহীনা কয়ানো য়েংদবা য়াদে। থবকশিং অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা তৌগদবনি। ষ্টেটনা সেন্টরদা দিটেক্ট তৌবা য়ারোই হায়না থল্লকখি। এন পি এফকী এম এল এ রাম মুইভানা সেন্সস য়েথোকপসি অকক্নবা মতম অমা লেপ্পা চুমগনি। মতম লেপ্পগদি মীচম মীয়ামগী রাইট ফংহনবা ঙম্লোই হায়না মত পীখি।

পাস তৌখিবা ৱারেপ অদুদি 'This House once again reaffirm previous resolution passed on 5th August, 2022 and 1st March 2024 to urge the Government of India to update N.R.C. in Manipur before conducting census in interest of the state in particular and nation in general'.

'মরু ওইনা ষ্টেট অসি অমসুং মপুং ওইনা লৈবাক অসিগী অপাম্বগী মতুং ইন্না মণিপুরদা সেন্সস তৌদ্রিঙৈদা এন আর সি হান্না অপদেট তৌনবগী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টদা তকশিন্নবা কুমজা ২০২২গী ওগষ্ট ৫ অমসুং কুমজা ২০২৪গী মার্চ ১দা লৌখিবা ৱারেপ অদু হাউস অসিনা অমুক্কা হন্না অয়াবা পীরে।' অসিনি।

## মীওই ৬ পোজিটিভ ওইরে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২(ৱায়েল কাতি)ঃ** হৌখিবা পূং ২৪দা মণিপুরদা মীওই ৬ পোজিটিভ ওইরক্তুনা চহী অসিগী ওইনা দেঙ্গিনা নাবা মীগী অপূনবা মশিং ২৪১ য়ৌখ্রে। নৌনা পোজিটিভ ওইরকখিবা মীওই ৬ অদুগী মনুংদা তমেংলোং, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অমমম, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতগী ১, চান্দেলদগী ২ নি। অদুগা অতোপ্পা অমা অদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগীনি। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা দেঙ্গিনা নাখিবা মীগী মশিং ৪৬ শুখ্রে। অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা মীওই ৩৮ শুখ্রে।

## চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২(ৱায়েল কাতি) ঃ** সেপ্টেম্বর ১২ অমদি ১৩দা চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং পাঙথোক্লগানি হায়না রামা ফাউন্দেসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। চেরোল অসিনা হায়, ত্রেনিং অসিদা য়াওনিংবা লন্নাই মীওই, সেল্ফ হেল্প গ্রুপ অমদি ফার্মর ক্লবশিংনা সেপ্টেম্বর ১১ ফাওবদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকপা য়াগনি।

## হয়েংগী নোংদম

০৩। ০৯। ২০২৬

-এষ্ট্রো-কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ - থবক তৌবদা পাঙ্গল থেশকপা মতমনি। অদুম ওইনমক নিংঙাই শংদান্নগনু।

বৃষ - থবক তৌবদা পাঙ্গল থোকপা য়াদবা লৈগনি। অদুবু খাঙবা কল্লবদি উকল ওইগনি।

মিথুন- অনৌবা থবক্কী খূদোংচাবা ফংবা য়ানা লৈ। লল্লোন ইতিক্তা শেল পীক্লা ফংগনি।

কর্কট- অতোপ্পা হীরমদা মীৎয়েং চঙবগী মহুৎতা পন্দুনা লৈবা থবক খক্তদা মীৎয়েং থম্মু।

সিংহ- শেল থুমগী ফীভম ফগৎচরগনি। থবক তৌবদা লূচিংবা ওইবা য়াগনি।

কন্যা- হেঞ্জিন্না ৱাগদবা থবক শুরোইদবনি। থবক্কী মরমদা থৌরাং তৌবা য়াগনি।

তুলা- নাইতোম ওইনা থবক তৌবগী মহুৎতা ময়াম পুন্না তৌমিন্নরবদি কান্নবা ফংগনি।

বৃশ্চিক- শেল পুথোক পুশিন তৌবা য়াদে। কোক শাবা ৱাখল নুংঙাইতবা থৌদোক থোক্কনি।

ধনু- অনৌবা থবক তমশিনবা য়াবা মতমনি। অশংবা মীৎয়েংদা থবক্কী থৌরাং তৌবা কান্নগনি।

মকর- থবক কন্না শু নোম্লবদি কান্নবা ফংগনি। শেলগী চাদিং কান্নদবদা হেঙ্গৎকদৌরি।

কুম্ভ- শেঙ্গাও হোগদৌরি। চেকশিঞ্জহৌদ্রগদি শেল মাঙবা ৱাখল নুংঙাইতবা লৈগনি।

মীন - লোইনরিবা মরুপ মপাংশিংদা থাজবা থম্বা য়াগনি। শেল থুমসু লেংহন্দবা ঙমগনি।

### মপাল্লমগী পাউ

## নেপালগী ঈচাওদা শিখিবা ১১২৭ শুরে

**কথমন্দু, সেপ্টেম্বর ২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নেপালগী ঈচাওদা শিখিবা মীওই ১,১২৭ শুরে হায়না নেপাল পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা রাসুৱাদগী হকচাং ৪৫, নুৱাকোদতগী ১৫৫, ধাদিমদগী ৫৯, চিদৱানদগী ৩৪৮, গোর্খাদগী ৬৬, তানাহুনদগী ৩৮, নাৱালপারাসি ইষ্টতগী ২১৭ অমসুং নাৱালপারাসি ৱেষ্টতগী ১৯০ ফংবা ঙমখি। হৌজিক ফাওবদা ফংখিবা অশিবা হকচাংশিংগী মনুংদা শুপ্পগী ৯৫ খক্তমক মশক মমিং খঙদোক্লগা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শীন্নখ্রে। ওথোরিতিশিংনা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদা পুলিস পার্সনেল ৭,৯১২ ফাজিন্দুনা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক পায়খৎপগা লোয়ননা মীয়ামদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হোৎনরি। পুলিসনা হৌজিক ফাওবদা ঈচাওগী অৱাবা নংলবা মফমশিংদগী মীওই ৬,৫৪১ রেস্ক্যু তৌখিবগা লোয়ননা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওই ৪,৮৫৮গী খোঙ্গুল লীনবা হোৎনরি। নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেইন এফিয়ার্সনা হায়, ইন্দিয়া অমসুং চাইনাদগী লাকখিবা ইন্টরনেস্নেল টর্নেল রেস্ক্যু টিমশিংনা নেপাল আর্মিগা খূৎশম্নরগা হাইদ্রো পৱার সাইটশিংদা মী কনবগী থবক চথরি।

## চহী ৩গী মতুংদা অহানবা ওইনা হাওখোলেট কিপগেন অমদি কিমনিও হংসিং এসেমব্লিগী মীফম য়াওখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ৱায়েল কাতি) ঃ** ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৮শুবা মীফম হৌখিবগা লোয়ননা চহী ৩গী মতুংদা অহানবা ওইনা কুকি- জো ফুরুপকী এম এল এ ২ শরুক য়াখ্রে।



কাঙলূপকী ঈরাং হৌরকখ্রবা মতুংদা ইহান হানবা ওইনা এসেমব্লিগী মীফমদা শরুক য়াখিবা এম এল এ ২ অদুদি সাইটু এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ হাওখোলেট কিপগেন অমসুং সাইকুল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কিমনিও হাওকিপ হংসিংনি। মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা হেক চঙলকপগা হাওখোলেট কিপগেনা হায়, মতম কুইরগী তুংদা এসেমব্লিগী মীফম য়াওবা লাকপদা হরাওবা পোকই। দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনদি ভর্চ্যুয়েল মোটতা এসেমব্লি সেসনদা শরুক য়াখি। কুকি জোগী এম এল এ ২ হাউসতা লাকখিবগী থৌওং অদুবু চীফ মিনিষ্টর য়ূম্নাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা ঈং তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লকপগী ময়েক শেংলবা খূদমনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়, মীয়াম পূন্না হোৎনমিন্নরবদি মণিপুরদা মহৌশাগুম ঈং তপ্পা ফীভম মপুং ফানা হঞ্জিনহনবা ঙমগনি। ষ্টেট লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা লৈরম্বা থাজনদবশিং কোকহন্নবা লেপ্পা লৈতনা থৌরাং কয়া লৌখৎপগী মহয় ওইনা ঙসি কুকি- জোগী এম এল এ ২ এসেমব্লি মীফম য়াওবা লাকখিবনি। মতুং তারকপদসু লৈঙাক্না তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অমসুং মহৌশাগী ফীভমদা থৌরাং লৌখৎখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## মণিপুরগা ম্যান্মারগা লম ওন্থোক্নবগী মতাংদা সেন্টরনা ষ্টেটতা খঙহল্লকপা লৈতেঃ গোবিন্দাস

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুরগী লম অমসুং ম্যান্মারগী লমগা ওন্থোক ওনশিন তৌনবগী মতাংদা কোংগ্রেস এম এল এ কাঙুজম রঞ্জিৎনা ঙসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা পুখৎলকখিবা কোল্লিং এটেন্সন মোসন অমগী পাউখূম পীরদুনা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মণিপুরগা ম্যান্মারগা লম ওন্নবগী মতাংদা সেন্টরনা ষ্টেটতা করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লকপা লৈতেহায়না শেংদোকখ্রে।

কোল্লিং এটেন্সন মোসন অদু পুখৎলদুনা এম এল এ কে রঞ্জিৎনা হায়, মণিপুরনা ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈ মমাঙদা মনিং মখা তন্বা লৈবাক অমা ওইরম্মী। লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুকসু ১৮৯১গী মতমদা নিংথি তুরেল তোৰ্ব্বান ফাওবা ওইরমখি। মসিগীসু মথক্তা ত্রিতি ওফ য়ান্দাবো, কবো ভেল্লি এগ্রিমেন্ট অমসুং মৈতৈ পোং এগ্রিমেন্টনচিংবদা মণিপুরগী ঙমখৈ অসি কবো ভেল্লি ফাওবনি হায়না লৈরম্মী। হৌজিক্তি কবো ভেল্লি ঐখোয়গী ওইখিদ্রে। মসিগী নিংদোল পোম্নবা ময়াম অমা লৈরি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মণিপুরগী লমগা ম্যান্মারগী লমগা ওন্নবগী ৱাফম অসি পাউচেদা ফোঙলকপা থেংনরে। করম করম্বা মফমদা লৈবা লমশিংনো ওন্নগদৌরিবসি, কনাদা হেন্না কান্নগদৌরিবনো হায়বনচিংবা ৱাফমশিং পুখৎলকখি।

কে রঞ্জিৎকী ৱাফম অদু তারবা তুংদা হোম মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়, হৌজিক ফাওবা ইন্দো ম্যান্মার বোর্দরগী লমগী শরুকশিং দিমার্কেসন লোইরবা, য়েৎনদ্রবা মফমসি কিমি ১৪৭২ নি। অদুগা হৌজিক ফাওবা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙমদ্রিবনা কিমি ১৭১ নি। হায়রিবা মফম অসি অমনা অরুনচল প্রদেশকী রোহিট সেক্টরনি, অদুগা অতোপ্পা মফম অমনা কবো ভেল্লি সেক্টরনি।

মহাক্না হায়, মণিপুরদা হৌজিক থৌদোক ৱাথোকশিং অসিগা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা বোর্দর ফেন্সিং অসি ২০২৯গী মনুংদা খাবা লোইননবা লূপা ক্রোর ২২,০০০ সেঙ্কসন তৌখ্রে। মীতোপ মীয়ানচাশিং চঙথোক চঙশিন তৌবা য়াদনবা কুমজা ২০২৪গী ফেব্রুৱারী থাদগী ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম সস্পেন্দ তৌখ্রে। অদুবু আই কার্দ পায়রগদি চঙথোক চঙশিনদি অদুমক য়াহল্লি। চাউরাক্না স্কৱার কিমি ১.৪ রোমগী লম পীথোক পীশিন তৌনগদ্রা হায়বগী থাজবা লৈ। মণিপুরগী ওইনা কবো ভেল্লিগী বোর্দর পিল্লর ৬৫ তগী ৬৮ ফাওবগী মনুংদা অমসুং চোরো খুন্নৌগী অদুৱাইদা অমা ওইরবা য়াই হায়না লৌনরি।

মণিপুরগা ম্যান্মারগা লোন্নরিবা স্কৱার কিমি ৩৯৮ অসিগী মনুংদা কিমি ৫৫ ফেন্সিং খাবা লোইরে। হৌজিক ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ২০২৮ ফাওবগী মনুংদা ফেন্সিং অসি খাবা লোইননবা য়াম্না কন্না হায়রি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লম ওন্নবগী মতাং অসি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা মণিপুর গভর্নমেন্টতা করিমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি। মসিগীসু মথক্তা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ৱারেপ লৌবসু লৈত্রি। অদুগা পার্লিয়ামেন্টতসু পুথোরকপা লৈত্রি। বি জে পিগী ওইনা ষ্টেট অসিগী লম ইঞ্চি অমা ফাওবগী লম মাঙহল্লোই হায়বগী পান্দম অদু লৈ। অদুগা মণিপুরগী লম কনাগুম্বা খরনা থুগায়নবা হোৎনৈ হায়বা লৈতে। করিগুম্বা মতমদা হোৎনরক্লগসু মদু কৈদৌঙৈদসু ওইথোকহল্লোই

## এন আর সিগী ৱারেপ এম ঐচ এনা লৌগদবনিঃ সম্বিট

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২(ৱায়েল কাতি) ঃ** নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন অপদেট তৌবগী ৱারেপ য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী থাক্তা লৌগদবনি হায়না বি জে পিগী নোর্থ ইষ্ট চার্জ সম্বিট পাত্রানা ফোঙদোকখ্রে। ইম্ফালদা থুংলখিবা সম্বিট পাত্রাবু এয়রপোর্টতা রাজ্য সভাগী এম পিসু ওইরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ সর্দা অমসুং পার্টি অসিগী অতৈ লূচিংবশিংনা তরাম্না ওকখি। পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা সম্বিট পাত্রানা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগী ৱাফম য়াম্না মরু ওসনা লৌই। মণিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না সেন্সস য়েথোক্লবা ৱারেপ লৌরকপনি। এন আর সি অপদেট তৌবগী মতাংদদি এম ঐচ এগী থাক্তা ৱারেপ লৌগদবনি।

## ভিক্সিট ভারত্তা শৌগৎপা ওইনা এমৱে ইন্দিয়াগী ন্যুত্রিলাইট অয়ুর্বেদা লোঞ্চ তৌখ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মাঙজিল থাবা হেল্থ এন্দ ৱেলবিয়িং কম্পেনি অমা ওইরিবা এমৱে ইন্দিয়ানা শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা অয়ুর্বেদাগী লমদা খোঙ থাংজিল্লকপগা লোয়ননা ন্যুত্রিলাইট অয়ুর্বেদা লোঞ্চ তৌখ্রে।




মীয়াম্না পাম্বীদগী পুথোকপা সপ্লিমেন্টশিং পাম্নবগী চাং হেঙ্গৎলকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনসু অয়ুশ ইকোসিষ্টেম মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরকপগী মতুং ইন্না এমৱে ইন্দিয়াগী ন্যুত্রিলাইট অয়ুর্বেদা লোঞ্চ তৌখিবনি অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা তোঙান তোঙানবা অয়ুর্বেদাগী পোৎলম ৯ লোঞ্চ তৌখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা চহী ২গী মনুংদা লূপা ক্রোর ১০০গী ন্যুত্রিলাইট অয়ুর্বেদা পুথোক্নবা পান্দম থল্লি। ন্যুত্রিসট সার্টিফাইট ফার্মশিংদা ওগার্নিক ওইবা মওংদা থাবা পাম্বীশিংদগী মচল লৌরগা তামিল নাদুদা লৈবা এমৱেগী ফেসিলিতিশিংদা অয়ুর্বেদগী পোৎলমশিং অদু পুথোকপনি।

## জনুৱারী ১৪ দা ২০শুবা জয়পুর লিটরেচর ফেষ্টিভেল পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২(ৱায়েল কাতি)ঃ** জনুৱারী ১৪দগী ১৮ ফাওবা ২০শুবা জয়পুর লিটরেচর ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লগনি। রাজস্থান লৈঙাক্কী মতেংগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা লিটরেরি এক্সচেঞ্জ কলচরেল দাইলোগ অমদি মল্টি লিংগ্বেল ষ্টোরিনচিংবা য়াওগনি। ফেষ্টিভেল অসি ইহান হান্না হৌদোকখিবদগী হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা রাইটর, স্পিকর অমসুং আর্টিষ্ট ৮০০ হেনবনা শরুক য়াখ্রে। মীওই মিল্লিয়ন ৫ হেম্বনা ফেষ্টিভেল য়েংবা লাকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই বিল্লিয়ন অমা হেনবনা দিজিটেল প্লেটফোর্ম ব্রোদকাষ্ট অমসুং মেদিয়া নেটৱার্কশিংগী খূত্থাংদা য়েংখি। য়ু এস, য়ু কে, কেনাদা স্পেন, ওষ্ট্রেলিয়া, আইয়রলেন্দ অমদি মালদিপনচিংবা মপান লৈবাক কয়াদসু ফেষ্টিভেল অসি পাঙথোকপা লৈখ্রে। ফেষ্টিভেল অসিগী প্রদ্যুসর সঞ্জয় কে রোইনা হায়, চহী ২০ হেন্না ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তুনা লাকপদা তোঙান তোঙানবা লোল অমদি কলচর খেন্নবা মফমশিংদগী অইবা অমদি অয়েংবা মীওই কয়ামরুম লাক্তুনা শরুক য়াখি হায়রি।

## সেন্সস য়েথোক্লে হায়বগী ওর্দর ফংদ্রিফাওবা খোঙজং হন্দোকখিরোই হায়না জে এফ দিনা লাউথোকখ্রে

**ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ২ (ৱায়েল কাতি) ঃ** কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিফাওবা সেন্সস য়েথোক্লে হায়বগী ওর্দর ফংদ্রিবনা দেমোক্রেটিক ওইবা অকনবা খোঙজং মখা তানা চঙশিনমিন্নখি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসনগী কনভেনর জিতেন্দ্র নিংঙোম্বনা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, জে এফ দিনা চঙশিল্লক্লিবা নো এন আর সি, নো সেন্সসকী মনুং চন্না ওগষ্ট ৩১দগী সেপ্টেম্বর ১গী অহিং নোংয়াই ফাওবা কৌখিবা পূং ২৪গী জেনরেল ষ্ট্রাইক্তা মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীরকপগীদমক জে এফ দিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মীয়ামগী খ্বাইদগী মরু ওইবা দিমান্দ ওইরিবা সেন্সস য়েথোকপগী ৱাফমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর অমদি মীওই খরনা মেদিয়াদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ওফিসিয়েল ওইবা ওর্দর অমত্তা থোরক্ত্রিবনা মণিপুরদা সেন্সস য়েথোক্লে হায়বসি জে এফ দিনা য়াবা ঙম্লোই।

মীয়াম্নসু মণিপুরগী সেন্সস য়েথোক্লে হায়বা পাউ অসি ওফিসিয়েল ওইদ্রি হায়বা খঙবীয়ু। কুমজা ১৯৫১দা বেজ ইয়র ওইরগা এন আর সি অপদেট তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ অসিদা অহোংবা লৈতে। সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী এন আর সি অপদেট তৌদ্রিফাওবা সেন্সস য়েথোক্লে হায়বগী ওর্দর অমত্তা থোরকপা লৈত্রিবনা দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা অকনবা খোঙজং মখা তানা চঙশিনমিন্নবা মথৌ তারি।

অমরোমদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বীশিংনা শিম্থা লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং হন্দোকখ্রে। হয়েংদগী কৈথেল ফম্বা হৌরগনি হায়না খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল ২গী কারক্তা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অমগা মরী লৈননা জে এফ দিগী সেক্রেটরি কম্যুনিতি এফিয়ার্সকী থৌ পুরিবা সুমতিনা ফোঙদোকখ্রে।

## পেনক্রিয়াটিক কেন্সর পেসেন্টশিংগী পূন্সি শাংদোকহন্নবা হীদাক পুথোক্লে

ইম্ফাল সেপ্টেম্বর ২(ৱায়েল কাতি) ঃ কা হেন্না ফীভম শোকচিনখ্রবা পেনক্রিয়াটিক কেন্সর পেসেন্টশিংগী পূন্সি শাংদোকহন্নবা হীদাক মখল অমা পুথোকখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসনননা অয়াবা পীখ্রে।



নোংমদা অমুক্তং চাগদবা হীদাক মখল অসিনা পেনক্রিয়াটিক কেন্সর চাউথোকহন্দনা থম্বগা লোয়ননা অনাবা মীওই অদুগী পূন্সি শাংদোকহনবা ঙম্মী। ওগষ্ট ২৬তা ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসননা অনৌবা হীদাক অসি শীজিন্ননবগী মতাংদা অঅয়াবা পীখি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী খূদোংথিনিংঙাই ওইবা অমসুং মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহল্লিবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা পেনক্রিয়াটিক কেন্সর হায়বসিসু অমনি।

ইন্টরনেস্নেল এজেন্সি ফোর রিসার্চ ইন কেন্সর (আই এ আর সি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না চহী খূদিংগী মালেমদা পেনক্রিয়াটিক কেন্সরনা নাবা মীওই ৫,১০,০০০ হেঙ্গৎলকপা থেংনৈ। মসিগী মনুংদা মীওই ৪,৬৭,০০০দি লাইনা অসিনা মরম ওইরগা শিরি। নৌনা পুথোক্লিবা হিদাক অসিগী ক্লিনিকেল ত্রাইয়েল চথবদা শরুক য়ারিবা ডাক্টর সুভমপামনা এন দি টি ভি লাইফলাইনদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ৫০গী মনুংদা অহানবা ওইনা পুথোক্লিবা হীদাক অসিনা পেনক্রিয়াটিক কেন্সর পেসেন্টশিংদা অনৌবা অশা অমা পীরগনি।

ন্যু ইংলেন্দ জর্নেল ওফ মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, অনৌবা হিদাক মখল অসি মমাঙদা পেনক্রিয়াটিক কেন্সর নাবদগী লায়েং চথরুরবা মীওই ৫০০ রোমদা চাংয়েং তৌবদা চাউনা কান্নবা ফংই হায়বগী রিপোর্ট লৈরে।

অতৈ অতোপ্পা লায়েং মখলশিং চথবগী মথক্তা অনৌবা হিদাক অসি পীজবনা পেনক্রিয়াটিক কেন্সর পেসেন্টশিংগী পূন্সি চাদা ৪০ হেন্না শাংদোকহনবা ঙম্লে। হীদাক মখল অসিনা কেন্সর সেলশিং চাউবা হেঙ্গৎহন্দবগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা হকচাংগী মফমশিংদা কেন্সর শন্দোকহন্দবা মরমনা পূন্সি শাংদোকহনবা ঙম্বনি। অদুম ওইনমক অতৈ অতোপ্পা হীদাকশিংগা মান্নবা মওংদা দেরাক্সোনরাসিব হায়রিবা হীদাক অসিগীসু সাইট ইফেক্ট কয়ামরুম লৈ। মরু ওইবা সাইট ইফেক্ট খরদং পল্লবদা উনশিল্লগা ঙাংশিল্লকপা, খোং হামথবা, কোক ঙাওবা, চীন পোমখৎলকপা, ওবা অমসুং হকচাং কা হেন্না চোকথবা অসিনচিংবনি।

হীদাক অসিগী ৩শুবা তাঙ্কক্কী ত্রাইয়েল চথবা মতমদা কিমোথেরাপি তৌবা মীওইশিংদগীদি সাইট ইফেক্ট খরমখৈ হন্থবা থেংনখি। ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসনননা পেনক্রিটিক কেন্সরগী অনৌবা হীদাক মখল অমা শীজিন্নবা হৌনবগী অয়াবা পীখ্রবসু হীদাক মখল অসিনা কেন্সর মপুং ফানা ফহনবমক্তি ঙমদ্রি। য়ু এস তা অনৌবা হীদাক অসি শীজিন্নবা হৌখ্রবসু ইন্দিয়াগী ওইনদি সেন্ট্রেল দ্রগ ষ্টেন্দার্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসননা শীজিন্নবগী অয়াবা পীদ্রি।



# এদিটোরিয়েল

ইম্ফাল, থৱান ২০। ২১ নি পানবা, য়ুমশকৈশা, সেপ্টেম্বর ২,২০২৬ ইং

## নেমচা কিপগেন ফাও হায়রকপা

### লো মেকরসশিং নাকপাক তান্নরকপা অফবা নত্তে

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা নাগাগী এম এল এ ১০ অমসুং কুকিগী এম এল এ১০ লৈরম্মী। নাকল অনীমক্কী এম এল এ অমমম লৈখিদ্রবা মতুংদা এম এল এ ৯।৯ লৈহৌরি। হায়রিবা এম এল এশিং অসি মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা লাকপনিনা মখোয়গী অনিংবা অপাম্বা য়েংলগা থবক পূন্নমক তৌগনি হায়রগদি লানগনি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা কারক্লগসু এম এল এ ওইররবা মতমদদি লৈবাক অসিগী লোনা য়াবা কন্সটিট্যুসননা পীবা কাঙলোনগী মতুং ইন্না তৌবা য়াবা হায়বা অমা, তৌদবা য়াবা হায়বা অমা লৈ। মসিগীসু মথক্তা মখোয়না ষ্টেট অসিগী লৌগদবা থৌদাংসু তোখায়না লৈ। অদুগুম্বা থৌদাংশিং অদু লৌদনা মাগী মাগী মীয়ান্না হায়বদুদা তৌগনি হায়রগদি লৈবাক অদু কাংখোং চাইরক্কনি। মরমদি মীয়াম হায়বসিনা লৈবাক অসিগী লো অসি মমুৎ তানা খঙদে অমসুং মখোয়গী অপাম্বশিং অদু হেক্তা থবক্তা ওন্থোক য়াগনি, য়ারোই হায়বসু মখোয়দা লৈতে। মণিপুর হায়বসি কাঙলূপ অমখক্তগী ময়ূমসু নত্তে। মফমসিদা খুন্দারিবা কাঙলূপ পূন্নমক্কী ময়ূমনি। অসিগুম্বা লম অসি মখোয় মখোয়গী অহল লমনশিংনা থনম্বনি হায়দুনা মচিন মনাও হেক্তা লম য়েন্থোক্লবদৌনা তৌবা য়াবসু নত্তে। লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা করি হায়রি, ষ্টেট অসি কনাগী লমনো অমসুং মশিং য়াম্বা কাঙবুনা করি পাল্লি হায়বসি খঙদনা নোংমৈ পায়রগা মী হাৎলগা তোখায়বা ষ্টেট অমা নৎত্রগা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌবা হায়বসি ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তদি চুশিন্নবা ৱাৎলি। মণিপুরসি হৌখিবা চহী খরা অসিদগী লৈবদা খম থেংনা নুংঙাইতবা মফম অমা ওইরি। কাঙলূপ মশেল হাৎনরি, লম মুন্নরি। লোগী ৱাংমদা নোংমৈ পায়বশিং অথৌবা ওইহল্লি। হেরো ওইনা লৌনরি। মসিনা মরম ওইরগা মৈতৈগা কুকিগা হাৎন–শুনরম্বদগী হৌজিক্লা অমুক নাগাদা ওনশিল্লক্লগা অমুক কুকিগা হাৎনরে। হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫০ শুখ্রে। মরু ওইনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী আই টি রোদকী ঙমখৈ পরিংদা নোংমা কাংদনা য়ূম মৈ থাবা, অউ–অউবা হাৎনরি। আই টি রোদ হায়বসি কাঙলূপ অমত্তনা কন্ট্রোল তৌবা লম্বী নত্তে। মরমদি লম্বী অসিগী নাক য়েৎতা কুকিশিংসু খুন্দাই, নাগাশিংসু খুন্দাই, হৌজিক্লা অমুক মশিং য়াল্লবা খূৎলায় পায়বা ময়াম কাঙলূপকী ঈরাং অসিদা য়াওশিন্দুনা খুল খুলদা এটেক তৌবা হৌনরক্লে। লোইবা খম্বা নাইদবা মীহাৎ–মীপূন চথরক্লি। মসিদা লৈঙাক্লা খূদক্কী ওইনা থিংননবা পাম্বে পুথোকপা ঙমদ্রি। অসিগুম্বা তমথিরবা থৌদোকশিং অসিদা নাগাগী মীচম মীয়ামনা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেনদা টার্গেট তৌরক্লে। মরমদি মহাক্কী মপুরোইবা থাংবোই কিপগেন কে এন এফ–পি হায়না মিংথোনবা কুকি মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগী চ্যেরমেননি। নাগাগা কুকিগগী হাৎন–শুনবগী থৌদোকশিং অসিদা কে এন এফ–পি য়াওই হায়বসি নাগাশিংগী ৱাকৎনি।

হান্নদি মীচম মীয়ান্না 'সূ' এব্রোগেদ তৌ, নেমচা কিপগেন মফম লৌথোকউ হায়না দিমান্দ তৌরম্বদগী হৌজিক্লা নাগাগী এম এল এ ৯না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা চেরোল অমগা লোয়ননা ফাননবা তকশিনখ্রে। নাগা এম এল এ ৯ মক এন দি এগী মপাং ঙাক্তনি। বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিগা পূন্না চৎমিন্নরিবনি। ঈরাং অসিগী য়েংলগা থেংনমিন্নবনি খন্দুনা সেন্টরদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগী ফম অনী হাপ্লকখি। তশেংনমক্কীদি কাঙলূপ্তা য়ূম্ফম ওইরগা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ২ হাপ্লকখিবসি পোলিটিক্সতা খ্বাইদগী চাউবা অশোয়বা অমনি। নেমচা কিপগেন দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা মহাক্কী ময়ূম কাংপোকপীদা ওফিস হাংদুনা থবক তৌরি। এসেমব্লিগী মীফম নৎত্রগা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম মশামক লাক্তুনা য়াওদে। ওনলাইনদা শরুক য়াখি। এম এল এশিংনা এসেমব্লিশিংদা হংবা ৱাহং নেমচা কিপগেননা মিনিষ্টর অমা ওইনা কাংপোকপীদগী ঙাংলকপা তান্ননবা স্পিকর পান্দবা য়াদে, হাউস মনুংদা টি ভি খিন্দবা য়াদ্রে। ওন্থোকপা হায়বদুনি মণিপুরদা তৌরিবসে। মসিগীসু মথক্তা নেমচা কিপগেননা পায়রিবা পোর্টফোলিও অসি রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েতি রাজ হায়বা অমা, অদুগা ট্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলসনি। ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা নাগাশিংনা মিনিষ্টর উন্ননবা কাংপোকপী চৎপা য়াদ্রে। এম এল এশিংনা মিনিষ্টর উন্নবা য়াদ্রে। মসিগীসু মথক্তা হিলস এরিয়া কম্মিটিগী মীফমসু ফমখিদ্রে। মসিদগী হেন্দোক্লদুনা মীহাৎ মীপূনগী থবক্তা কে এন এফ–পি য়াওই হায়রবনিনা নেমচা কিপগেন অমসুং মহাক্কী মপুরোইবদা নাগাগী এম এল এশিংনা ওনশিল্লক্লে। নাগাগী এম এল এ ৯ অসিগী মনুংদা এন পি এফকী এম এল এ ৫, বি জে পিগী এম এল এ২, এন পি পিগী এম এল এ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ১ নি। মখোয় ৯ মক এন দি এগী এম এল এশিংনি, লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবনি। মখোয় ৯ না দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর অমবু ফাও হায়বা তারগদি লৈঙাক পায়মিন্নবগী ৱাহন্থোক করি লৈবগে? এম এল এ ৯ না পুখৎলক্লিবা ৱাফম অসি কদায় ফাওবা চূম্মী? চূল্লগনা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর নেমচা কিপগেন মফম লৌথোকউ, মহাকপু ফাও, অদুগা কৈশুমশঙদা থম্মু। করিগুম্বা মহাক্লা লান্দবা ওইরগনা করি তৌগদগে খন্নবীয়ু। নাগা অমসুং কুকিগী মরক্তা খূৎ থোক্লরিবসি নোংমৈ পায়বশিং থিংবা হায়বসি মিলিটরি ক্রেকদাউন নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি নাগাগী এম এল এ ৯ না নেমচা কিপগেন অমসুং মহাক্কী মপুরোইবা ফাও হায়রিবা দিমান্দ অসি পোলিটিকেলগী ওইবা দিমান্দনি হায়না লৌবা য়াদে। মসি নাগা মীয়ামগী ওইবা দিমান্দ অদু এম এল এশিংসিনা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা পুখৎলকপনি। লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা লো মেকরশিং নাকপাক তাহন্নিংদে। মখোয় ময়াম থেমজিনবগী তঙাইফদবা লৈ হয়জনিংই।

## WAYEL SUDOKU

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | | | | | | | 9 |
| 8 | | | 6 | | | | | |
| | | | | | 5 | 1 | | |
| | | | | | | | 6 | 8 |
| | 2 | | | | 3 | | | |
| | | | | | | | | 4 |
| | | 5 | | | | 2 | | |
| | | | 4 | 3 | | | | |
| | 7 | | | 8 | | | | |

# ঈদা য়াওবা কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংলবদি কার্তিলেজ সেলদা মাইতোকোন্দ্রিয়েল ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস থোকহন্দুনা শরূ পাথরকই

মীওইবগী ঈদা য়াওবা কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংলবদি কার্দিওভাস্ক্যুলর সিষ্টেমদা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা হার্টকী লায়না ওইহল্লকই হায়বা হান্নদগী খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু কোলেষ্টেরোল ৱাংবনা শরূগী মপাঙ্গল শোচ্ছহল্লকই হায়বা অনৌবা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ব্রিসবেনদা লৈবা ক্বিন্সলেন্দ য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী রিসার্চর ইন্দিরা প্রসাদমনা হীরম অসিগী মতাংদা হায়, ঈদা য়াওবা কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংলবদি কার্তিলেজ সেল (কন্নেক্টিভ টিস্যু)দা মাইতোকোন্দ্রিয়েল ওক্সিদেটিভ ষ্ট্রেস থোকহন্দুনা শরূ পাথরকই। মদুনা মরম ওইরগা ওষ্ট্রিও অথ্রাইটিজ ওইহল্লকই। ওষ্ট্রিও অথ্রাইটিজ হায়বসি শরূগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা য়াওবা ফ্লেক্সিবল টিসু পাথরকপদগী ওইরকপা অথ্রাইটিস মখল অমনি। ঈদা য়াওবা কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংলবদি শরূ পাথরক্তুনা ওষ্ট্রিও অথ্রাইটিজ ওইরকই হায়বা ৱাফম অসি রিসার্চরশিংনা উচিদা কোলেষ্টেরোল য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক পীজদুনা চাংয়েং তৌবদগী খঙলকপনি।

লো দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন (এল দি এল) অমসুং হায় দেন্সিটি লিপোপ্রোটিন (ঐচ দি এল) কোলেষ্টেরোল হায়দুনা কোলেষ্টেরোলগী মখল অনি লৈ। এল দি এলনা ফত্তবা অদুগা ঐচ দি এলনা অফবা কোলেষ্টেরোল হায়না খঙনৈ। এল দি এল কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংখৎলক্লবদি হার্টতা অকায়বা থোকহল্লকপগা লোয়ননা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজকী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

এল দি এল কোলেষ্টেরোলনা ঈদা য়াওবা অতে পোৎলমশিংগা পুল্লবা মতুংদা মপং ওল্লক্তুনা ঈগী উতোং ফুঞ্জিল্লকপদগী ঈগী ঈচেলদা অপনবা পীরকই। লম্বী চিনবা মতমদা গাড়ী থৌবা য়াদবগুম ঈগী উতোং ফুঞ্জিল্লকপদগী ঈ চেনবা ঙল্লক্তদুনা এঞ্জিনা, কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সি ঐচ দি), হার্ট এটেক অমসুং ষ্ট্রোক তৌহল্লকপা য়াই।

থবাক্তা অরুম্বা পোৎশক অমনা ননবদৌনা নত্রগা ফদি শুম্বদৌনা অনাবা ফাওরকপগী থৌওংবু এঞ্জিনা কৌই। থবাক নাবা হায়বসি করিগুম্বা অশোয়বা খরা লৈরে হায়বগী ময়েক শেংলবা খুদমনি। হার্ট য়ৌনা চেনবা ঈগী ঈচেল তপথরকপদগী ফিভম অসি ওইরকপনি। থবাক নাবগী থৌওংবু ৱার্নিং বেল ওইনা লৌবগা লোয়ননা হকচাংদা করি অশোয়বা লৈবগে হায়বদু নিংথিনা চেক তৌথোকপা মথৌ তাই।

খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা হার্টকী লায়নাদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সি ঐচ দি)নি। হার্ট য়ৌনা ঈ পুরিবা কোরোনরি আর্টিরি ফুঞ্জিল্লকপদগী লায়না অসি ওইরকপনি। সি ঐচ দিনা হার্টকী মপাঙ্গল শোচ্ছহনবগা লোয়ননা এঞ্জিনা, হার্ট এটেক অমসুং হার্ট ফেল ওইহল্লকপা য়াই।

ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা ঈনা হার্ট য়ৌনা চেনবা ঙল্লক্ত্রবা মতমদা হার্ট এটেক তৌরকপনি। ঈদা কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংনা য়াওরবদি ঈগী উতোং ফুনখিবা মরম্না হার্টতা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা ঈ য়ৌবা ঙমদে। থবাক নাবা নত্রগা হকচাংগী মথক থংবা শরুক্তা ৱাই ইচিন চিন্দুনা নুংঙাইফম খঙদবা নত্রগা নিংশা শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙল্লক্ত্রবদি হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী খুদমনি। খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লরকপা তরবদি খুদক্তা চেক তৌথোকপা মথৌ তাই।

হার্ট এটেকতা হাইরপ মান্নবা মওংদা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা ঈ ফঙলক্ত্রবা মতমদা ষ্ট্রোক তৌরকই। ব্রেননা ওক্সিজেন মরাং কায়না ফঙলক্ত্রবা মতমদা ষ্ট্রোক তৌরকপনি। এল দি এল কোলেষ্টেরোলনা ঈগী উতোং ফুঞ্জিনখিবদগী ব্রেনদা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা ঈ য়ৌরকপা ঙমদবনি। ওক্সিজেন ফঙদ্রবদি ব্রেন সেলশিং তপ্না তপ্না শিথরকপগা লোয়ননা খঙহৌদনা হকচাং খঙশোন শোচ্ছরকপা, পেরালাইসিস তৌরকপা, ৱা ঙাংবা ঙমদবা অমসুং ময়েক শেংনা উদবনচিংবা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরকই। হায়রিবা থৌওং অসি দাইবেটিস অমদি হাইপরটেন্সন্নচিংবা ক্রোনিক দিজিজ কয়ানা ওইহল্লকপসু য়াওই। দাইবেটিসনা নারবা মীওইশিংদা এল দি এল কোলেষ্টেরোল ৱাংলবদি কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজকী রিস্ক হেনগৎলকই। হাইপরতেন্সন অমসুং এল দি এল কোলেষ্টেরোল ৱাংবগী থৌওং অসি লায়েংবা ঙম্মী। অদুবু কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা থৌওং অসি হৌগৎলকপদা লাইওং অমত্ত উখোরক্তবা মরম্না ফিভম হেঞ্জিনখ্রবা মতমদতা খঙলকই।

মালেমদা সেকেন্দ ৩৯ খুদিংগী হার্ট এটেক, ষ্ট্রোক নত্রগা অতে কার্দিওভাস্কুলর দিজিজনা মীওই অমমম শিরি। ঈদা য়াওবা এল দি এল কোলেষ্টেরোলগী চাং ৱাংখৎলকপদগী ফিভম অসি ওইহল্লকপনি। মীওইবগী চাকচা য়ুথক অমসুং পুন্সি মহিংগা কোলেষ্টেরোল ৱাংবগী থৌওংগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। সেচুরেটেদ ফেট অমসুং ট্রান্স ফেট য়াওবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাবগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈরবদি ঈদা য়াওবা এল দি এল কোলেষ্টেরোল ৱাংখৎলকই। চাবা থকপগা মরী লৈনবা মরম্না করম্বা চীঞ্জাক চাগদগে অমসুং করম্বা চারোইদগে হায়বদু খঙবা মথৌ তাই। মৈখু শিজিন্নবা, য়ু থকপা অমদি অৱাবা ৱাখল খনবনসু কোলেষ্টেরোল ৱাংখৎহনবদা মতেং পাংই হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা, য়ু থক্তবা, হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহন্দবা, ৱাখলগী চরাংনবা কোকহনবা অমসুং চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌগনি।

চাকচা–য়ুথক অমদি পুন্সি মহিং শেমদোক্লবা ফাওবা কোলেষ্টেরোল ৱাংদুনা লৈরবদি হিদাকলাংথক চাদুনা কোলেষ্টেরোল হন্থহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। মরমদি কোলেষ্টেরোল ৱাংবনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপগী মথক্তা শরূগী মপাঙ্গল শোচ্ছহল্লকপা য়াই।

# লাইগী থৌরমদা অকায়বা চৎনবী ওইরকপা

> ...ঐখোয়গী লৌশিং তানশিনবগী লোইবা নাইদে। মীওই কয়াগী ৱাখল লৌশিং সমুদ্রা ইপাক্কা চাংদম্নবা য়াওরিবনি। মীওইবনা শিংবা হেঙ্গৎনরকপদগী ফত্তবা চৎনরম্বা কয়া হোংদোকখিবা ঐখোয়না থেংনখ্রে। খুদম ওইনা শোরাৎ (লান্না থৌরম) কয়াদা হিদাক হান্দুনা অরাংফম্না ঙাহক তৌদুনা লারে নত্রগা শারে কোন্দুনা থকনরম্মী। মদু তোকখ্রগা চরুট বেরি য়েন্দুনা পীথরক্লম্মী।

**এম থম্বৌ সিংহ**

চৎনবী হায়বা চৎনবী অসিদা লৈরিবা পুন্নমক কুম্ভে হরাওগী চৎনবী, লাই তিলগী চৎনবী লৈথৌ তিহ্নৌগী চৎনবী ফিজেৎ চাকচা য়ুথক কয়াগী চৎনবী ময়াম অমা লৈরিবা অসি খৃষ্টগী ৩৩ এদি নোংদা লাইরেন পাখঙবনা অহানবা শকাব্দ হৌবদগী মথং মথং নিংথৌ কয়া পাল্লকপদা চৎনবী কয়া হৌদোকপীরমখি। ঙসি ফাওবা অসিদা নিংথৌ কয়াগী স্না হাক্তক্তা চৎনবী কয়া মুৎখ্রে। অদুগা অনৌবা চৎনবী কয়াসু লাকখ্রে। পোৎচৈ মরাং কায়না ফংদ্রিবা মতম খুদম ওইনা ফি শেৎনবা ফংদ্রিঙৌ হকচাং খুম্বগী চৎনবী ঙসিসু মদু য়েংবা নুংঙাই হায়না মদুম চৎনবা ফজগদ্রা?

অসুম্না ফজদবা কান্নদবা, মীয়াম সমাজ শিংনবা য়েংবদা নুংঙাইতবা চৎনবী অদু ঐখোয় ঙাক্তুনা লৈগদ্রা? পুন্নমক ফত্তে খঙবা চৎনবী ঙসিগী মীরোলনা থাদোক্ল খ্রবনি। অদুনা কলা সংস্কৃতিগী ওইবা নাৎকী চৎনবী কয়াদি ইপা ইপুশিং নিংশিংবা ওইবা চৎনবীদি ঐখোয়না কন্না ঙাক্লবা হোৎনবা ফৈ। অদুবু থায়না ফুরিৎ লিংৎতবা লিংৎলবসু ফুরিৎ কুন্দাম তুম্বা মকুনা পানবা অমদি মশম শাংনা মকোই শাংনা খাক্পা কুন্দাম শাবা হৈতবনা তুম্বানা, অমদি শম কোই কক্লবা কাতি লৈতবনা কত্তবা ওইবসু য়াই। অদুবু ইপা ইপুনা চৎনরম্মী হায়দুনা মদুমক ঙসি চৎনবীদি পামদবা মীওই য়াওনগনি। লৈতবা মরম্না লৈত্রে থাজবা অমদি অরু অনান কয়াদি মদু হোংদোক্তুনা চৎনবা করি অকায়বা লৈগনি। চৎনবী হায়বা অসি মতম মতমগী য়াওলদা য়াওরকপা পোৎনি। মসি ঐখোয়গী ৱাখলদা অহোংবা [illegible] চৎনবী লাকপনি।

ঐখোয়গী লৌশিং তানশিনবগী লোইবা নাইদে। মীওই কয়াগী ৱাখল লৌশিং সমুদ্রা ইপাক্কা চাংদম্নবা য়াওরিবনি। মীওইবনা শিংবা হেঙ্গৎনরকপদগী ফত্তবা চৎনরম্বা কয়া হোংদোকখিবা ঐখোয়না থেংনখ্রে। খুদম ওইনা শোরাৎ (লান্না থৌরম) কয়াদা হিদাক হান্দুনা অরাংফম্না ঙাহক তৌদুনা লারে নত্রগা শারে কোন্দুনা থকনরম্মী। মদু তোকখ্রগা চরুট বেরি য়েন্দুনা পীথরক্লম্মী। মদুগী মৈখু অদুমক্ষম অদু পুমমম মম্মী মদু হৌজিক্তি তোক্তুনা ক্কা ফাওবা য়েন্নখিদ্রে। অদুনা লাইগী থৌরম ওইবসু য়াই, ময়াই কাবা নিষা খরা থকচিন চাশিল্লগা তাম্বুল অমদি নুরাবী শাবা অনীদুনা য়েংবদা য়াম্না মওং তাদবা মীয়ামদা উৎপদা ফজদবা কয়াদুনা অহেনবা তৌরকপা মদুদা শেলগী কৈথেল কাদুনা অহল লমনগী মমায় মচেৎ অমত্তা য়েংদনা চখরকপা থৌওং অদুদা লাওবা খোংবা জগোয় শাবা য়াওনা হরাও মথোই কাবা মদুদা পামদবা মীওই য়াওরক্তুনা পামদবা য়েংনিংদবা মীওইগা হরাওরিবা মীওইগা মুক্লরকপা মশানা তাবনি। অদুগী ৱাথোক অদুম থোক্লিবনি। লাইগী ওইসনু পুন্নমক নুংগী ওইবা খরা নত্তনা হেনবা ফজদবা খরদি ঙমখৈ অমা ঙসিফাওবা তৌবা য়াই অসিফাওবা হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়গী লমদম অসিদা চৎনদে হায়বা অসি থম্বীফম থোকই। মদু নত্তনা লাইগী থৌরমনি হায়রবদি থায়নগী ফি মচেৎ মকায়না হকচাংগী মফম খরতমক খুম্বগী চৎনবী অদুবু হেক্তা চৎনবা য়াগদ্রা? লাইগীনি হায়রবদি মতমদু ফি শেৎনরমদে হায়দুনা ঙসি ফি হোংদনা লাইবুংদা থোকপা য়াফম থোকপরা? ইংলিসকী ৱেষ্টর্ন লৈবাক্কী চৎনবী উনবগা মীগী নুপী ওইসনু ঐগীসু কিস হেক্তা তৌনবা লমদম অসিগী চৎনবী ওইবা য়াগদ্রা? ঙসিনা হোংলক্লিবা চৎনবী অসিদা কম্প্যুটরগী মতম অসিদা মোবাইল হায়বা কান্নখ্রবা টেক্নোলোজি অসিবু লান্না শীজিন্নদুনা ফি থোংদবা লাই কয়া নুপী অঙাং ইনখৎলক্লিবা কয়াদা থানদুনা নহা কয়াগী মাঙনবগী লম্বী ওইবা চৎনবী অমা লাক্লিবা অসিদগী লমদমসি ক্রাইম কয়াগী হৌরকফম ওইদুনা ৱাথোক কয়া থোক্তুনা পাউচেগী ইনোৎ মসিগুম্বা পাউসিনা হাপ্লি। মসি পুন্নমক সাইবর ক্রাইম ব্রাঞ্চনা অকনবা মওংদা ফাগৎতুনা থিংনবা হোৎনরিবনি।

অসুম্না কা হেঞ্জিনবা চৎনবীনা লাইগী থৌরম থৌদাদা মুৎখিবা য়ারোইদবা মৈতৈগী লাই হরাওবগী মীরম্না অৱাংবা থাক্কী চৎনবী থৌরম ওইনা ঐখোয়নসু লৌনরিবা অসিদা অরানবা কা হেঞ্জিনবা কয়ানা মাহিং কাহনবা অফবা নত্তে। হৌজিক মেদিয়াগী খোঙজেল হেন্না য়াংলবা মতম অসিদা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈখিদ্রবা থায়নগী চহী ৭ খুন্তাকঙৈগী ঈগী মরী মৈতৈগী ইপা ইপু কয়া অমা লৈখ্রিবা অসিনা তরমগনি। মখোয়না করি খল্লমগনি, মখোয়গী থম্মোয়দা তুংবা ফাওনা লমদম অসিবু অকিবা ফাওফম থোকই। অফবা ফিন্দম ময়াম অমা য়েংবদা ফজগদবা চৎনবী কয়া অসিবু ঐখোয় মান্নবা অমা থমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনবনা তুংগী শান্তি লৈগনি। ঈরাং থোক্তবা চৎনবী কয়া থাদোকপা ফৱব্রা খল্লি।

## REGISTRATION CERTIFICATE LOST

I have lost my Registration Certificate bearing Roll No.515188 of 1994 issued by Manipur University on the way between my residence to Khurai Lamlong on 25-08-2026.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
Bachaspatimayum Geetanjali Devi
Khurai Ahongei Leirak,#9666393789


WK2/65/02 Sep

Quantum UNIVERSITY
ROORKEE, INDIA
The No. 1 Educational Institution of North India
ADMISSIONS 2026
- MBA / BBA / BBA+MBA
- B.Tech (CSE) with specialisation in Data Science / AI-ML/ Cyber Security / Full Stack / Cloud Computing
- B.Tech (ECE) with specialisation in Semiconductor
- BCA / MCA
- B.Com / B.Com (Accounting & Taxation)
- B.Sc (PCM/CBZ/Biotechnology)
- BMRIT (Bachelors in Medical Radio & Imaging Technology)
- BMLT (Bachelors in Medical Laboratory Technology)
- BPT (Bachelors of Physiotherapy)
- BHM (Bachelors in Hotel Management)
- B.Sc (Nutrition & Dietetics)
- M.Sc / B.Sc (Agriculture)
- BA LLB / BBA LLB

and many more ...

QUANTUM - Extraordinary things happen here !
100% Placement Assistance
Over 200 students studying from North East India
300 Companies Visited | 672 Placement Drives
Highest 33.5 Lac Salary Packages
Arts | Music | Sports | Theatre | Photography | Placement Support Group
Community Service | Creative Writing | Debate | Literary Society
www.quantumuniversity.edu.in
+91 9366040075
Sagolband Tera Sayang Leirak Machin, Near Kebol School
Imphal West - 795001
Apply Now
Scan the QR Code

## WAYEL CROSSWORD



**ACROSS**
1 Shopping centre (8)
4 Sporting item (4,4)
9 Send (5)
10 Roadside hotel (5)
11 Music genre (5)
12 Prisoner (7)
13 Horse noise (5)
15 Believe in (5)
17 Deceiving (7)
20 School's former pupils (6)
21 Pertaining to milk (6)
23 Wound dressing (7)
28 Garbage (6)
29 Scandinavian country (6)
30 Nip, pinch (5)
31 Likelihood (6)
33 Kampala's country (6)
35 Bravest (7)
38 University qualification (6)
40 Pictures (6)
42 Retaliation (7)
45 Lodgings (5)
47 Black fur (5)
49 Old (7)
50 Angry (5)
51 Improvise (2-3)
52 Patchwork blanket (5)
53 Parachutist (8)
54 Memorandum (8)

**DOWN**
1 Human being (6)
2 Scottish mountain range (10)
3 Specially-trained soldier (8)
5 Nothingness (8)
6 Variety of pear (10)
7 Bosom (6)
8 Nation (5)
14 ___ Grey, tea (4)
16 Indian garment (4)
17 Filament (5)
18 Was in front (3)
19 Learn bit by bit (5)
20 Drawn (9)
22 Butterfly pupa (9)
24 Arctic whale (7)
25 Document case (7)
26 Edible entrails (5)
27 Children's play apparatus (5)
32 Smouldering coal (5)
33 Unbind (5)
34 Disjointed (10)
36 Female deer (3)
37 Gigantic (10)
39 Repeat (4)
41 Wicked (4)
43 Assess (8)
44 Easily taken in (8)
45 Fast-flowing water (6)
46 Notifies (5)
48 Publication boss (6)

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | 1 | 3 | 2 | 7 | 8 | 5 | 9 |
| 8 | 5 | 9 | 6 | 1 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 2 | 3 | 7 | 8 | 9 | 5 | 1 | 4 | 6 |
| 7 | 9 | 4 | 2 | 5 | 1 | 3 | 6 | 8 |
| 6 | 2 | 8 | 9 | 4 | 3 | 5 | 1 | 7 |
| 5 | 1 | 3 | 7 | 6 | 8 | 9 | 2 | 4 |
| 9 | 4 | 5 | 1 | 7 | 6 | 2 | 8 | 3 |
| 1 | 8 | 2 | 4 | 3 | 9 | 6 | 7 | 5 |
| 3 | 7 | 6 | 5 | 8 | 2 | 4 | 9 | 1 |

| | | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | R | E | C | I | N | C | T | | G | O | L | F | C | L | U | B |
| E | | | A | | O | | S | | B | | | O | | | | R |
| R | E | M | I | T | | M | O | T | E | L | | I | N | D | I | E |
| S | | | R | | | M | | A | | I | | | F | | | A |
| O | | | N | | C | A | P | T | I | V | E | | E | | | S |
| N | E | I | G | H | | N | | E | | I | | T | R | U | S | T |
| | A | | O | | | D | | | | O | | | E | | A | |
| | R | | R | | F | O | O | L | I | N | G | | N | | R | |
| A | L | U | M | N | I | | | E | | | L | A | C | T | I | C |
| T | | | S | | B | A | N | D | A | G | E | | E | | | H |
| T | | O | | | R | | A | | T | | A | | | S | | R |
| R | E | F | U | S | E | | R | | T | | N | O | R | W | A | Y |
| A | | F | | | | T | W | E | A | K | | | | I | | S |
| C | H | A | N | C | E | | H | | C | | U | G | A | N | D | A |
| T | | L | | | M | | A | | H | | N | | | G | | L |
| E | | | F | | B | O | L | D | E | S | T | | G | | | I |
| D | E | G | R | E | E | | | O | | | I | M | A | G | E | S |
| | C | | A | | R | E | V | E | N | G | E | | R | | V | |
| | H | | G | | | V | | | | U | | | G | | I | |
| R | O | O | M | S | | A | | T | | L | | S | A | B | L | E |
| A | | | E | | E | L | D | E | R | L | Y | | N | | | D |
| P | | | N | | | U | | L | | I | | | T | | | I |
| I | R | A | T | E | | A | D | L | I | B | | Q | U | I | L | T |
| D | | | E | | | T | | S | | L | | | A | | | O |
| S | K | Y | D | I | V | E | R | | R | E | M | I | N | D | E | R |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733